# ইন্দিয়ান ওল স্পোর্টস গেমসতা মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯ (ঐচ এন এস):**

থা অসিগী ৫দগী হৌরগা ৭ ফাওবা টাফিসাগী মীৎয়েং মখাদা অসামনা য়ূম্বু ওইদুনা কটন য়ুনিভর্সিটিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৩লক শুবা ইন্দিয়ন ওল স্পোর্টস গেমস ২০২৪দা মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ষ্টেট ১৩না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমস অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড ২৮, সিলভর ১৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৫ পূন্না মেদল ৪৮ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা নাগালেন্দনা গোল্ড ১০, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ১৮ ফংলগা ফর্ষ্ট রন্নর্স অপ তাখি। অদুগা য়ূম্বু ওইরিবা অসামনা গোল্ড ৯, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ৫ পূন্না মেদল ১৭ ফংলগা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখিবনি।



পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ওল স্পোর্টস গেমস অদুদা মণিপুরদগী এল বেবেকানন্দদা সর্ভিসেসকী বেষ্ট এৱার্দ, প্রভিন মাইস্নামদা বেষ্ট এৱার্দ, লোংজম মঙালসনাদা লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অদুগা জি এম জিট খুমনচাদা বেষ্ট ওনর এৱার্দকী মনা পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। গেমস অসিদা গোল্ড মেদল ফংলবা শান্নরোয়শিংনা মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা ভুটানদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল গেমসতা শরুক য়ারুগনি।

# কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে


**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর কাং এসোসিএসন (এম কে এ)গী মখাদা ৱালিদা অমদি হোকনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা ৬৬লক শুবা সার চুড়াচান্দ (কে সী এস আই-সী বি ঈ) মেমোরিএল লীগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ৱাবগাই অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱালিদা কাংশঙদা হৌদোকখ্রে। এম কে এগী প্রসিদেন্ট মৈকাম জাদুমণিনা থৌরম মপূ ওইদুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেটচতা ৱালিদা অমসুং হোক লম্বা তৌনখি। মদুদা হোকনা ৱালিদাবু পাঞ্জল ১৮-৫দা মায়থীবা পীরমখিবনি।



HL-B/9104/10/10-13/11(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1271**

**WFM Megan Althea Paragua (2041) - WGM S. Zaksaite (2210)**
**Swiss Queens Wed #21 2024 FIDE Online Arena INT, 2024.06.21**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.Nc3 Nc6 | 4.Bb5 Nd4 |
| 5.Nxd4 cxd4 | 6.Ne2 Qb6 | 7.Bd3 Ne7 | 8.O-O Nc6 |
| 9.a3 a5 | 10.c3 Be7 | 11.Bc2 O-O | 12.d3 d6 |
| 13.cxd4 Nxd4 | 14.Be3 Nxe2+ | 15.Qxe2 Qxb2 | 16.d4 Qb6 |
| 17.d5 Qd8 | 18.Bd3 exd5 | 19.exd5 Bf6 | 20.Rab1 Re8 |
| 21.Rfc1 g6 | 22.Qf3 Kg7 | 23.h3 Be5 | 24.Bb5 Rf8 |
| 25.Bd3 Re8 | 26.Rc2 Rf8 | 27.Rbc1 Bd7 | 28.Rc7 Rc8 |
| 29.Bb6 Rxc7 | 30.Rxc7 Qe8 | 31.Rxb7 Bf6 | 32.Kh2 Qe5+ |
| 33.g3 Qb2 | 34. … | | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1270 Solution :**

**35. Qxf8+** The white queen decoys Black's king. **Kxf8 36. Rxf7+ Ke8**


36. ...Kg8 37. Rf8+ Kg7 38. R2f7#

**37. Rf8+ Ke7 38. R2f7#**

**1-0**



HL-B/8978/9,10



HL-P/1447/10




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com